# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং অমদি হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা মীওই অনি ফারে।

২) লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ- জন্মাষ্টমি পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- ২১ শুবা চহি চাদা টেকোলোজিগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা লৈবাকা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম ঙাকবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা ঙরাং আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা মীওই অনি ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফালগী শোইবম লৈকাই এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রে)গী মীওই অমা ফারে। থৌবাল জিলাগী লংথবাল খুনৌদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী নুপী

অহুম য়াওনা মীওই মরি ফারে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন মঙা, শেল অমসুং আধার কার্দশিংসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঙারিয়ান চীংয়াংদা থি হুন্বগী থবক চথুবদা তুয়েল্ব বোর দবল বেরেল নোংমৈ অমা, ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন অমা, এস.এল.আর রাইফল অমা, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৭, এ.কে. রাইফলগী মরু ২০, নাইন এম.এমগী মরু ৩, তিয়ার স্মোগ সেল ৩, থ্রি আইট এম.এম কাত্রিজগা লোয়ননা রবর বুল্লেট অমা, ষ্টন সেল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী  অহাংবা কাত্রিজ ১৭, থ্রি নোট থ্রিগী অহাংবা কাত্রিজ ৩১ অমসুং তুয়েল্ব বোরগী অহাংবা কাত্রিজ অনি ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা অসামগী কর্বি অংলোং জিলা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মালধা জিলাদগা মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই অনি হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে। মখোয়দগী হিরোইন পাউদর কিলোগ্রাম ২ রোম হেনবা ফংবা ঙমলে। মসিগা লোয়ননা মোইবাল ফোন অনি অমসুং চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা ঙরাং গাড়ি ৭ তগী টিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

গনেসন (এল)ঃ        নাগালেন্দগী রাজ্যপাল অমসুং মণিপুরগী হান্নগী রাজ্যপাল লা গনেসন ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মশাগী অনাবা অমদগী চেন্নাইদা লৈখিদ্রে। মহাক চহি ৮০ শুখ্রে। দাইবেটিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নানা নাবদগী মহাক চেন্নাইদা লৈবা এপোলো হোস্পিতালদা লায়েংদুনা লাকপনি।

লা গনেসন ইং ২০২৩ গী ফেব্রুৱারি ২০ দা নাগালেন্দগী ১৯ শুবা রাজ্যপাল ওইনা ৱাশক লৌখি। মহাক মণিপুরগী ১৭ শুবা রাজ্যপাল ওইনা ইং ২০২১ গী ওগষ্ট ২৭ তগী ইং ২০২৩ গী ফেব্রুৱারি ১৯ ফাওবা থবক পুরম্মী।

মহাকা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোক্লি।

লা গানেসন্না লৈখিদবদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানসু অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবা শরুক য়ারিহায়রি। সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী ভল্লানা হায়- রাজ্য অসিগী হান্নগী রাজ্যপাল অমসুং নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইরম্বা লা গনেসন্না মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা সেবা তৌরমখি।

রাজ্য সভা সদস্য মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্নচিংবা লুচিংবা কয়ানসু লা গনেসন্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি।

লা গনেসনগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি নুংথিল পুং ৫ দা চেন্নাইদা পাঙথোক্কনি।

কৃষ্ণ জন্মা (এল)ঃ লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ- জন্মাষ্টমি পাঙথোক্কনি। অযুক অঙনবদগী ভক্ত কয়ানা লাইশঙশিংদা লাই খুরুম্বা লাকরি। উত্তর প্রদেশকী মাথুরা অমসুং বৃন্দাবনদা লাইশঙ কয়া নিংথিনা লৈতেংদুনা শ্রীকৃষ্ণ জন্মাষ্টমিগী থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

মণিপুরদসু ঙসি জন্মাষ্টমিগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা জন্মাষ্টমিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। রাজ্যপালনা হায়- ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী পুন্সি অমসুং মহাকা তাকপীরম্বশিং অদুনা মীয়াম্বু ঙসিসু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংলি। অসিগুম্বা শেংলবা নুমিৎ অসিদা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বা ধর্ম্মনা অধর্ম্মবু মায়থিবা পীরম্বা অমদি অরানবা তৌবশিংগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙম্বগী থৌনা লৈবা

হায়বদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লে। জন্মাষ্টমি পাঙথোকপনা অমত্তা ওইবগী নুংশিনবা অদু চেৎশিনহনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবুসু চাউখৎহনবা ঙম্লগনি হায়না রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিগী মীয়ামদা মপুং ওইনা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংদা কৃষ্ণ জন্মাষ্টমিগী য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরেন্না হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ধর্ম্মগী ওইবা নুংগী ৱাহন্থোক অদ্ ঐখোয় পুমমকা খঙমিন্নবগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা ঐখোয়গী খুনাই অসিবু মাঙলোমদা পুশিনদুনা শান্তি লৈবা, নুংঙাই য়াইফবা অমসুং চাওখৎপগী মাইকৈদা পুশিনবা ওইরসনু।

কোবিদ (এল)ঃ মণিপুরদা জন্ থাদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৬১৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৬১ কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। হৌজিক কোভিদকী এক্তিভ কেস ২ লৈরি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি ঙসি রাজ্য অসিগী জিলা পুম্বদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফম কয়াদা হয়েংসু অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি ।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা আইন কায়বা মওংদা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপনা লৈবাক অসিগী শক্তমদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লি। নীংতম নুমিৎকী পালন থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী শুরক্ষাগী লমদা শিংনরক্লিবা অসি থেংনবা ঙমবা অৱাংবা থাক্কী দেমোগ্রাফি মিসন অমা হৌদোক্লগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবা, অপুনবা শক্তম অমসুং লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী হক ঙাক্তুনা থম্বা

ঙমহন্নগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ২১ শুবা চহি চা অসি টেকোলোজিগী চহি চানি অমসুং টেকোলোজিগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা লৈবাকা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি। মহাকা হায়- সরকারনা সেমি কন্দক্তরগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎলি। লৌমীশিং অমসুং ঙা ফাবা মীওইশিংগী স্বার্থ ঙাকবা মহাকা পল অমা ওইনা লৈগনি হায়নস্ প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা অখন্নবা আতিথিশিং অমদি স্কুল মহৈরোইশিংগসু ৱারী শান্নখি।

লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎ পালনদা থাগৎ ৱারোল পীরকখিবা মালেমগী লুচিংবা কয়াবু রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

কাশ্মির ঃ জম্মু কাশ্মিরগী কিস্তৱার জিলাগী পদ্দার সব দিভিজনদা খঙহৌদনা নোং চুরকপদগী চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীগী মশিং ৬০ শুখ্রে। নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লানা হায়- থৌদোক অদুদা মীওই ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখি অমসুং থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং থিবগী থবক কন্না চথরি।

এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ অমদি মফম অদুগী ওথোরিতিনা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু থিবগী থবক চথরি। থৌদোক অদুদা য়ুম, দুকান অমদি গাড়ি কয়াসু অমাং অতা থোকখি। খঙহৌদনা থোক্লকপা ঈচাউনা মীওই কয়াসু চেন্থখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লাগা ৱারী শান্নখ্রে। ওথোরিতিনা হৌজিক ফাওবদা হকচাং ৩০ মশক খঙদোক্লে। মীওই ১৬০ কনবা ঙমখ্রে, মদুগী মনুংদা মীওই ৩৮ গী ফিভম লুনা লৈরি।

দিল্লি ঃ নিউ দিল্লিগী হুমায়ুমগী ফুরা মনাক্তা লৈবা দরগা অমগী ৱাল ঙরাং নীংখায়রকপদা মীওই ৫ নন্দুনা শিরে। দিল্লি পুলিসকী জোইন্ট কমিসনার সঞ্জয় জৈননা পাউমীশিংদা হায়- থৌদোক অদুদা মীওই ১০ রোম অশোক অপন নংখি। সাউথ ইষ্ট দিল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপা থিজিল্লি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্র সরকারনা গনেশ উৎসবপু রাজ্যগী কুম্মৈ অমা ওইনা হৌনবী মতুংইন্না লাউথোকপগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা সরকারগী ওইবা ৱারেপ লাউথোকখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা ভজনি মন্দলশিংদা লুপা কোতি ৫ ফাওবগী শেন্থুং ফংবা য়ারগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী শুতি ওইখিবনা মরম ওইরগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফোংবা পাউচে হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস নত্তনা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বা ফোংনদ্রে।

লৈবাক অসিগী ৭৯ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরম সেনাপতি জিলাদা পাঙথোকখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা গানফিউ মেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফুটবোলগী সুপর ষ্টার খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী টিমনা এফ.সি গোৱা টিমগা এ.এফ.সি চেম্পিয়ন লিগ গ্রুপ-দিদা শান্নরগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।

------